# ‘‘মীহাৎপশিং ফাঁসিগী দণ্ডি
## পীরোইদবা ওইরবদি মমা ঐঙোন্দা শিন্নবীয়ু’’

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ঃ* জেনিমসকী মীরেল-শঙদা হৌখিবা নুমিৎ তরেৎনি থল্লকখিবা নিঙোম্বম সৈত্যভমাগী হকচাং লৌশিন্দুনা মহাক্কী পোক্লফম লমদম ককৱাদা অরোইবা মথৌ-মঙম পাঙথোকখ্রে।

‘‘ইচাগী মীহাৎ অসিদা চেন্নবশিংনা আইন্না ফাঁসি তৌবগী দণ্ডি পীরোইদবা ওইরবদি মীপাৎপশিং অদু মমা ঐঙোন্দা ওইনা শিন্নবীয়ু’’ হায়না অপোকপী মমা ফজবী দেবীনা মচগী অশিবা হকচাংলৌবা লাকপদা ফোংদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩১ শুরবী কুমারি নিঙোম্বম সৈত্যভমা দেবী মীহাৎ থিনা হাৎলবা মতুং এপ্রিল ৫ গী নুমিৎযুংবা মতুংদা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বাশিখোং লৌমানবী লোকোন ময়াইদা শেম্বা ঈশিং খোং অমগী মনুংদগী অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবনি।

রিমসকী পেঠোলোজি ডিপার্টমেন্টতা ডি বি টি প্রোজেক্টতা জুনিয়ার রিছার্স ফেল্লো ওইনা লৈরিবী সৈত্যভমাগী অশিবা হকচাং অদু জে এ সি অমদি ইমুং-মনুংনা লৌশিন্দা লাকখিবনি।

পোস্ত- মোর্তেম একজামিসেন তৌরবা মতুং জেনিমসকী মীরেল-শঙদা থল্লকখিবা সৈত্যভমাগী অশিবা হকচাং অদু ইরাই নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ ফাওবগী মনুংদা ইমুং-মনুংনা লৌশিন্দ্রবদি আইদেন্টিফাই অন-ক্লেইম দেথ বোডি ওইনা ডিস্পোজ তৌরগনি হায়না লাওথোকখি।

মণিপুর পুলিস ডিপার্টমেন্টকী ডিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসকী সুপরভিজন মখাদা মীহাৎ অসিবু থিগৎনবগীদমক শেমখিবা এস আই তি (স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন তিম) গী মায়কৈদগীসু অশিবা হকচাং ডিস্পোজ তৌবগী ৱাফম জে এ সিদা খঙহল্লকখি হায়রি। পুলিসনা সৈত্যভমা মীহাৎতা চেন্নবা মীওই অহুম ফাগৎখিবা নুমিৎ হুন্নিগী মতুংদা জে এ সিনা শিন্দুনা মীয়ামগী মীফম অমা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা ককৱা বো লম্পাক কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্লবা মতুং অশিবা হকচাং লৌশিন্নবগী ফিরেপ অসি লৌখিবনি হায়না জে এ সিগী মচিন চৎপা অমনা ফোংদোরক্লি।

ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা সৈত্যভমাগী অপোকপা নিঙোম্বম তোম্বা অমসুং অপোকপী ফজবী দেবী য়াওনা জে এ সিগী লুচিংবশিং অমদি মশিং য়াল্লবা মীয়াম্না শরুক য়াদুনা অশিবা হকচাং অদু জেনিমসকী মীরেল-শঙদগী লৌখি।

অশিবা হকচাং অদুবু ইমুং-মনুংদা শিন্নখিবা লাকখিবা পুলিস ওফিসার অমদা সৈত্যভমাগী অপোকপী মমা ফজবীনা ‘‘ফারবা মীহাৎপশিংগী মথক্তা করম্বা মখলগী দণ্ডি পীগনি’’ হায়না হংখ্রে।

‘‘মীহাৎপা অমনা ফংগদবা দণ্ডি অদুমক ফংহন্নবগীদমক পুলিসকী মায়কৈদগী মখোয়গী মথক্তা চার্জসীট ফ্রেম তৌনবা হোৎনরি’’ হায়না পুলিস ওফিসার অদুনা পাউখুম পীখি।

পুলিস ওফিসার অদুগী পাউখুমদা অপেনবা পোক্লবসু ফজবীনা হায়, ‘‘ লৈবাক্কী অসিগী আইন্না করিগুম্বা মীহাৎপশিং অদুবু ফাঁসি তৌদুনা শিবগী দণ্ডি পীরোইদবা ওইরবদি মমা ঐঙোন্দা ওইনা শিন্নবীয়ু। নুপীবু ঙাকপীবা ঙমদ্রবা লৈবাক্কী আইন্না মখোয়বু চৈরাক পীবা ঙমদ্রবসু মমা ঐনদি ইচাগীদমক মখোয়গী মথক্তা চপ চাবা দণ্ডি অদু পীবা ঙমগনি।’’

‘‘ইচাগী থৱায়না মীহাৎপশিংনা লৌখ্রগা হকচাংনা মমা ঐনা লৌবা লাক্লি’’ হায়বা পেন্দবা ৱাফম পল্লদুনা ফজবীনা হায়, মীহাৎ অসিগী মতাংদা করিগুম্বা হিরম অমত্তদনা য়াশিন্নবা তৌরোই। মরাল লৈরবা মীহাৎপশিং অদুগী মথক্তা মীয়ামগী অপাম্বা দণ্ডি পীদুনা নুপীশিংগীদমক সরকার অমা লৈরি হায়বদু পাম্মী।

মীওই অহুম ফাগৎলবা মতুং ডি জি পিনা পীখিবা রিপোর্টকী মতাংদা পেন্দবা ৱাফম কয়াপল্লদুনা অশিবা মীদগী পাউখুম ফংলরোই হায়বা মান্নবা থৌওং অদুদি নুংঙাইতে হায়নসু মমানা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

সৈত্যভমাগী অশিবা হকচাং অদু তাতা অমদা হাপ্তুনা বেন্দ বার্টি য়াওনা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা লোয়ননা ময়ুম তম্না পুখি।

ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার ইন-চার্জ ইন্সপেক্টর ইনাওবীগী তিমনা মাং থানা ঙাক শেন্দুনা অশিবা হকচাং অদু অয়াংপল্লিদগী কোংবা, শিংজমৈ ফাওরগা পুখি।

খোংমন মংজিলদগী মীয়াম্না খোঙনা শিংজৈ থোং লাল্লগা ককৱা ফাওবা চৎখি।

খোঙচৎ অদুদা সৈত্যভমা মীহাৎকী মায়োক্তা পেন্দগী খোল্লাও কয়াসু লাওখি।

ককৱা বজার অমদি অকোয়বদা লৈরিবা দুকানশিং থোং লোন্নদুনা নুংঙাইতবা ফোংদোক্লখি।

ধর্ম্মগী হৌনবী মতুং ইন্না নিঙোম্বম সৈত্যভমা দেবীগী মফমদা মীয়াম্না ইকায় খুম্নবা উৎলবা মতুং অরোইবা মথৌম মঙম পাঙথোকখ্রে।

# অনৌবা সরকারগী চহী শুরকপা

কংগ্রেসনা সিট ৬০গী মনুংদা ৪২ ফংদুনা মণিপুরদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা মায় পাক্তুনা সরকার পায়রকপা চহী অমা মপুং ফাখ্রে। দিমোক্রেটিক সেটঅপতা চৎনবী অমা ওইনা  অনৌবা সরকার অমা লাকপগী অহানবা নুমিৎ ১০০নিগী এচিভমেন্ট উৎনৈ অমদি লাওথোক্লে। অদুবু হন্দক্তি নুমিৎ ১০০নি শুরকপগীসু করিসু উখিদ্রে। করিগুম্বা অমত্তা লাওথোকপসু লৈখিদ্রে। হৌজিক চহী অমা মপুং ফারক্লে। অসিদসু সরকারনা ষ্টেটসিগী মীয়ামগী ওইবা করম্বা অনৌবা ইসু নত্রগা থবক ইনখাং পায়খৎলিবগে হায়বদু উৎথোকপা অমদি লাওথোকপা ঙমদ্রি। মসি তশেংনা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদদি খ্বায়দগী লাইবক থিবনি।

হৌজিক লোক সভাগী এমপি খন্ননবা ইলেক্সন লাক্লগনি। হান্না মণিপুরগী এমপি ওইনা চৎখিবা হৌজিকসু ওইরিবা অনি অসিগী পার্ফোমেন্স নৈনরুবা, ঙাংনরুবা কানদে। পার্লিয়ামেন্টতা নত্রগা ষ্টেটসিদা করিগুম্বা মীয়ামগী খরদি তৌরিনা হায়নিংঙাই করিসু লৈতে। টিকেট অমুক পীরক্তুনা কংগ্রেস এমএলএ ময়াম্না মাগী মাগী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা শোয়দনবা ভোট খোমদুনা নৌনা অমুকসু কাহনখিবদি য়াই। অদুনা লৈবাক মীয়ামগী ওইনদি করিগুম্বা অমত্তা কান্নবা ফংবগী মমি তাদে। অশা তৌনিংঙাই লৈতে।

ষ্টেটসিদা লৈরিবা সরকার অনৌবা অসিসু হৌখিবা চহীসিগী মনুংদা মীয়ামগী ওইবা মশক থোকপা থবকসিমদি তৌরে হায়বগী নত্রগা তৌগনি হায়বগী কম্মিটমেন্ট উদে, তাদে। হৌজিক তারিবা হায়ববু দিপার্টমেন্টকী সিদিএ চেক ইবদা চাদা ১৫ নত্রগা চাদা ২০ লৌরগা বিল ইন্নৈ হায়বা, মিনিষ্টরগী ইমুং-মনুং, মচিন-মনাওশিং দিপার্টমেন্টকী ফাইল শুমিন্নবগী পাউ, তোইনা ইঞ্জিনিয়ারশিং ত্রান্সফার তৌবগী ৱা খরসি তোইনা তারি।

খ্বায়দগী লাইবক থিবনা ষ্টেটসিদা হন্দক্তি নুপী খুন্নাইদা চখবা শাথিবা ক্রাইমশিং অসি হেনগৎলক্লি। প্রজা মীয়াম্না পাল্লিবদি নুপীশিংবু তাথি-তাওইনা হাৎপীখ্রবা নত্রগা ইজৎ মাংহনবীখ্রবা মতুংদা মরাল লৈবশিং অদু ফারগা দন্দি পীবা খক্তু নত্তে। নুপীশিংদা নত্তবা ক্রাইমশিং চথহন্দবদুনি। হেনগৎলক্লিবা ক্রাইমশিং অসি থিংনবা তঙাইফদবা খোঙথাং খরদি সরকারসিনা থুনা লৌখৎফম থোকই।  ৱাফম অমনা পুলিস লৈনা লৈনা মীয়ামগী মোবনা ৱায়েল বিচার চথহনবা অসি খুদক্তগী থিংনবা হোৎনহন্নিংই। মরাল লৈবশিং অদু চপ চাবা চৈরাক পীবদা অমদি ফংহনবদা ঐখোয় পুম্নমক্না সপোর্ট তৌগদবনি। অদুগা মরাল লৈবা অমগীদমক্তা মাগী ইমুং-মনুং পুম্নমক অৱাফমদা তাহনবদি অচুম্বা খোঙথাং ওইগদৌবা মান্দে। মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দরসি শুপ্নগী লালহৌবশিং নমথনবা খক্কী ওইনা তৌবনা অতৈ অতোপ্পা ক্রাইমশিংদা পুলিসনা মতম চানা দিটেক্ট  তৌবা ঙমদবা মাল্লি। থৌদোক অমা থোকখ্রবা মতুংদা থিগৎপগী মহুৎতা থোক্ত্রিঙৈদা থোক্তুনবা হোৎনবগী থবকশিং তৌহন্নিংই। মণিপুর পুলিস হান্নগুম অশোনবা ফোর্স অমদি ওইদ্রবনি। পুম্নমকসি য়েংলগা অনৌবা সরকার অসিনা য়াম্না মপুং ফাবা পোলিসি খরা পুথোক্তুনা ক্রাইম এগেষ্ট  ৱুমেন্স অসিবু থিংননবা অমদি মীয়ামগী তুং কোইনা কান্নগদবা থবক খরদি তৌহন্নিংই।